# গভর্ণমেন্টনা সনা লেপশিনবগী মতাংদসু থবক পায়খৎলক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা সনা লেপশিনবগী মতাংদসু থবক পায়খৎলকপা য়ানা লৈ হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, কনাগুম্বনা ব্লেক মনি শীজিন্নরগা সনা লেপশিন্নবদগী গভর্ণমেন্টনা সনা য়াম্না লেপশিনবা মীওইশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চঙনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমদা হীরম অসিগা মরী লৈননা হংখিবদা মখল অমত্তগী কম্মেন্ট পীযু হায়বা য়াখিদে।

লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা মপান লৈবাক্তগী সনা লৈবদা অথিংবা থম্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ইন্দিয়াদা সনাগী মমল খঙৱাং ৱাংখৎলকখি। মালেমগী ওইনা সনা খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অনীশুবনি। চহী অমদা ইন্দিয়ানা লৈরিবা সনা টন ১০০০ রোমদি ব্লেক মনিনা লৈবনি হায়না থাজনরি।

টেক্স থীদবা শেনফম, লোৎশিন্দুনা থম্বা শেনফম অমসুং অতৈ অরানবা মওংদা তানশিনবা শেনফম শীজিন্নরগা সনা লেপশিন্নবদগী গভর্ণমেন্টনা হীরম অসোমদা মায় ওনশিল্লকপনি হায়রি।

অমরোমদা, ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা দিল্লিদা মীওই অনী অনৌবা শেনয়েক লুপা ক্রোর ৩.৫গা কোন্ননা ফারবা মতুংদা এক্সিস বেঙ্ককী কাশ্মীরি গেট ব্রাঞ্চতা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোকপদা চেন্নবনি হায়বা এক্সিস বেঙ্ককী মেনেজর অনীগী ময়ুমদসু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, বেঙ্ক মেনেজর অনীনা কম্মিসন লৌরগা ব্লেক মনিশিং হ্বাইট মনিদা ওন্থোকপগী থবক্তা মতেং পাংলম্বনি। নবেম্বর ৮দা গভর্ণমেন্টনা ব্লেক মনি অমসুং জালি নোট থিংনবগী পান্দমদা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি।

অরিবা শেনয়েক পায়হৌবা মীওইশিংনা দিসেম্বর ৩০গী মমাঙদা মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা থমজিনগদবনি হায়না গভর্ণমেন্টনা খঙহনখি। অদুবু মীওই খরনা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা ব্লেক মনিবু হ্বাইটতা ওন্থোকপগী থৌরাং লৌখৎলকখি। মমাঙদা কনা অমত্তনা শেল থমজিল্লমদবা জন ধন একাউন্টতা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা লুপা ক্রোর ২১,০০০ য়ৌনা থমজিল্লকখি।

হৌখিবা নুমিৎ ১৩গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা মীওই কয়া লাক্তুনা জন ধন একাউন্টতা শেল থমজিল্লকখিবনি।

চৈরকসিদা, ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা নবেম্বর ৮গী মতুং তারকপদা চৎনখিদ্রবা শেনয়েক মশীং য়াম্না একাউন্টতা হাপচিল্লকপা মীওইশিংদা নোটিস থাখ্রে। ওফিসলশিংনা হায়খি, লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা ইনকম টেক্স এক্টকী সেক্সন ১৩৩ (৬)কী মখাদা শেল য়াম্না থমজিল্লকপা মীওইশিংগী মরমদা থিগৎপা হৌরে।

মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা একাউন্ট খরদা লুপা লাখ ২.৫ হেন্না থমজিনবা য়াওরকপগী রিপোর্ট বেঙ্কনা পীরকখ্রবা মতুংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা মীওই খরগী মথক্তা থিগৎপা হৌখিবনি।

চপ মান্নবা মওংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা কোওপরেটিব বেঙ্কশিংগী মথক্তসু থিগৎপা হৌখ্রে। মেঙ্গলোরদা সোসাইটি মঙানা কোওপরেটিব বেঙ্কতা হাংবা একাউন্টশিংগী খুত্থাংদা লুপা ক্রোর ৮ এক্সচেঞ্জ তৌবা থেংনরকপদগী হীরম অসিদা মখা তানা থিজিনবা হৌখিবনি।

য়াল্লবা শেনফম লোৎশিন্দুনা থল্লিবা মীওইশিংনা পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা অনৌবা শেনয়েক ওন্থোক্ল বা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা অয়ুক-নুংথিল নাইদনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্পা থিজিনবা হোৎনরি হায়না রিপোর্ট অমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মোদিনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না ওপোজিসন্না তকশিল্লকপদগী পার্লিয়ামেন্ট মীফম য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
ওপোজিসন্না দিমনিটাইজেসনগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু হাউসকী মীফমদা শরুক য়াহনগদবনি হায়না তকশিল্লকপদগী থংনা থংননা ৭নি শুবা নুমিত্তা লোক সভাগী মীফম পাঙথোকপা য়াখিদ্রে।

হাউসতা প্রাইম মিনিষ্টর লাকহনগদবনি হায়না তাকশিল্লদুনা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্ট মীফম য়াওবগী মহুত্তা মরী লৈনদবা মফমদা দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।



মীফম হেক হৌবগা স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা হায়খি, হয়েং কন্সটিট্যুসন দেগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মুম্বাই টেরর এটেক্কী ৮শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি।

মতাং অদুদা কোংগ্রেস লূচিংবা মালিক অর্জুন খারগেনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা হাউসকী মীফম য়াওবগী মহুত্তা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা ৱা ঙাঙদুনা ওপোজিসনবু দিমনিটাই-জেসনগী মতাংদা মরাল শীদুনা লৈরে। প্রাইম মিনিষ্টরনা করিগুম্বা মথৌনা লৈবা মীশক অমা ওইবা তারবদি হাউসতা লাক্তুনা দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা ৱা ঙাঙগদবনি। মতৌ অসুম্না ওপোজিসন্না চরাংনবা থোকহল্লক-পদগী স্পিকরনা নুমিৎয়ুংবা ফাওবা হাউসকী মীফম য়ৈথোকখি।

নুংথিলগী মীফম হৌরকপদা তৃণমুল কোংগ্রেসকী লূচিংবা সুদিপ বন্দোপধ্যাইনা ৱা ঙাঙখি। অদুবু কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা মখা তানা স্লোগান লাউদুনা লৈবা মরম্না মালিক অর্জুন খারগেবু স্পিকরনা ৱা ঙাঙনবগী তাঞ্জা পীখিদে।

টি এম সীগী লূচিংবা সুদিপ বন্দোপধ্যাইনা হায়খি, ওপোজিসনগী মথক্তা দিমনিটাইজেসনগা মরী লৈননা মরাল শীখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা হাউসতা লাক্তুনা লাল্লে হায়জগদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিস (পি এম ও)দা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা লৈবা জিতেন্দ্র সিংহনা ঙরাং ওপোজিসন পার্টিশিংবু মরাল শীরদুনা হায়খি, দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা অরানবা মওংদা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা লৈখিবদগী মীয়াম্না ওপোজিসনগী মফমদা থল্লম্বা থাজবগী চাং হন্থরক্লি।

ওপোজিসন্না মরম ওইরগা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমদ্রে। গভর্ণমেন্টনা কয়ারক হন্না হায়জরবা ফাওবা ওপোজিসন্না কোওপরেসন পীরক্তবা মরম্না অরেম্বদা নুমিৎ ৭নি হৌখ্রে।

মমাঙদা ওপোজিসন্না শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া পুখৎলকপদগী রাজ্য সভাগী মীফম নোংমগী ওইনা য়ৈথোকপা তাখি। হাউসকী মীফম হৌরকপদা ওপোজিসন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা খন্নগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। পুং ১২ তাবদা মোদি মশামক হাউসতা লাক্লগা পুং ১ রোম ফম্লমখি। অদুবু লঞ্চ মতুংগী মীফমদা শরুক য়াখিদবা মরম্না ওপোজিসন্না হাউসতা অমুক হন্না চরাংনবা থোকহনখি।

# আর বি আইগী কাউন্টর খক্তদা শেল শিন্দোকপা য়াহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা অরিবা শেনয়েক অনী শিন্দোকপা য়াররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা আর বি আইগী কাউন্টরশিংদা মখা তানা এক্সচেঞ্জ তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চেরোল অমদা আর বি আইনা হায়খি, মীচম মীয়াম্না বেঙ্ক নৎত্রগা পোষ্ট ওফিস অমত্তদা অরিবা শেনয়েক শিন্দোকপগী খুদোংচাবা লৈররোই। অদুবু আর বি আইগী কাউন্টরশিংদদি মখা তানা শেল শিন্দোক্লবগী খুদোংচাবা লৈখিগনি।

বেঙ্কশিংদা শেল শিন্দোকপা লাকপা মীওইশিংবু মশাগী একাউন্টতা ওইনা থমজিলহন্নবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা হোৎনগদবনি হায়নসু আর বি আইগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। কনাগুম্বা বেঙ্কতা একাউন্ট লৈতবা মীওইশিংনা অনৌবা একাউন্ট হাংনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়রি।

অমরোমদা, কনাগুম্বনা মশাগী একাউন্টতা অতোপ্পা মীগী শেল থমজিনবা তারবদি নৌনা চৎনখিবদা ঙায়রিবা বেনামি ট্রাঞ্জেক্সন্স এক্টকী মখাদা চৈরাক ফংবগা লোয়ননা চহী ৭ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই হায়না আর বি আইনা ফোঙদোকখ্রে।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থিগৎপদা মীওই খরনা মশাগী শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা লুপা ক্রোর ২০০ হেন্না থমজিল্লম্বগী থৌওং থেংনরে হায়রি। নবেম্বর ৮গী মতুং তারকপদা চথখিবা ওপরেসন অমদা দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লুপা ক্রোর ৫০ রোম ফাগৎপা ঙমখি।

# ‘ইন্দিয়াগী ঈশিং পাকিষ্টানলোমদা চেন্থহল্লোই’

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
ষ্টেট ইলেক্সনগী মাঙওইননা পঞ্জাবকী লৌমীশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়াগী ঈশিং মরিক অমফাওবা পাকিষ্টানলোমদা চেন্থহল্লোই।



লৌবুক খূদিংমক্তা ঈশিং মরাং কায়না লৈহনবগা লোয়ননা লৌমীশিংনা মহৈ-মরোং উবদা খুদোং চানবগীদমক ইন্দিয়াগী ঈশিং পাকিষ্টানলোমদা চেন্থহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

বথিন্দাদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী উরেপ-উয়ুং তন্বগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎপা হায়বসিনা গভর্ণমেন্টকী খ্বাইদগী মরুওইবা পান্দমনি।

কুমজা ১৯৬০দা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান্না সাইন তৌনখিবা ইন্দস ৱাটর ট্রিটিগী মখাদা ইন্দস তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবগী ৱাফম ময়েক শেংনা পল্লি। ট্রিটি অদুগী মতুং ইন্না বিজ, রবি অমসুং সুটলেজ তুরেলগী ঈশিং ইন্দিয়ানা কন্ট্রোল তৌই। অদুগা ইন্দস, চেনাব অমসুং ঝিলম তুরেলগী ঈশিংনা পাকিষ্টান্না কন্ট্রোল তৌই।

ইন্দস তুরেলগী ঈশিং ইন্দিয়াদগী চেন্থোকখিবা মরম্না লৈবাক অসিনা তুরেলগী ঈশিং চাদা ২০ খক্তমক শীজিন্নবা ফংলি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দস ৱাটর ট্রিটিগী মতাংদা টাস্ক ফোর্স অমা শেমদুনা পঞ্জাব অমদি অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈরিবা লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা ঈশিংগী চাং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

হন্দক্তা পাকিষ্টান্না ইন্দস ৱাটর ট্রিটিগী মতাংদা হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়ানা ঈশিং য়েন্নবগী ৱাফম্না মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা লাল শোক্লনবা শীল্লোইদবনি।

# শ্রীনগরদা মিলিটেন্ট ১ খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে

শ্রীনগর, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা সোপোর এরিয়াদা ঙসি মিলিটেন্ট অমা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে।



আর্মী ওফিসল অমনা হায়খি, সোপোরগী তুজারদা লোকল টেররিষ্ট অমা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখি। অরানবা লম্বীদা খোঙদাখ্রবা অতৈ নহারোলশিংবুসু অচুম্বা লম্বীদা থোরক্তুনা মহৌশাগী পূন্সিদা হল্লক্নবগী তাঞ্জা পীরি হায়নসু ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

থা অসিগী মনুংদা সোপোর এরিয়াদা মিলিটেন্টশিংনা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকপগী থৌদোক হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। নবেম্বর ৪দসু লাস্কর-ঈ-টোইবগী মিলিটেন্ট অমা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা চঙজরকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, আর্মীনা জম্মুদা আর্ম ফোর্সেস ট্রাইব্যুনেল (এ এফ টি)গী বেঞ্চ অমা হাংদোকখ্রে। সঞ্জুৱান মিলিটরি ষ্টেসনদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস এন পোল বসন্তকুমারনা এ এফ টিগী ফুল বেঞ্চ অমা হাংদোকখিবনি। থৌরম অদুদা এ এফ টি, ন্যু দিল্লিগী ওফিসিয়েটিং চ্যেরপার্সন জষ্টিস বি পি কতাকেনা প্রিসাইদ তৌখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এ এফ টিগী অনৌবা রিজনেল বেঞ্চ অনী হাংদোক্ল বগী অয়াবা পীখিবগা লায়ননা জুলাই ৯দা মধ্য প্রদেশকী জবলপুর অমসুং নবেম্বর ১৭তা জম্মুদা বেঞ্চ অমমম হাংদোকপা লৈখ্রবনি।

ন্যু দিল্লিদা প্রিন্সিপাল বেঞ্চ লৈরিবা এ এফ টিগী রিজনেল বেঞ্চশিং চান্দিগর, লখনৌ, কোলকাটা, গুৱাহাটি, চেন্নাই, কোচি, মুম্বাই অমসুং জয়পুরদা রিজনেল বেঞ্চশিং লৈ।

অমরোমদা, পাকিষ্টান্না সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা পাকিষ্টানগী লান্মী অহুম শিখ্রে। লৈখিদ্রবা লান্মীশিং অদুদি কেপ্টেন তাইমুর অলি খান, হবল্ডার মুস্তাক হুসেন অমসুং লান্স নাইক গুলাম হুসেননি। পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগী জৱান অহুম হাৎখ্রবা মতুংদা চপ মান্নবা মওংদা লমন খুমগনি হায়না ইন্দিয়ন আর্মীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নোদর্ন কম্মান্দগী ব্রিগেদিয়র জেনরেল ষ্টাফ (বি জি এস), ব্রিগেদিয়র পি এস গোত্রনা হায়খি মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মছিল সেক্টরদা পাকিষ্টান্না এটেক চথখিবগী লমন খুম্বা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মীনা পাকিষ্টানগী মথক্তা এটেক চথখি।

# লোক সভাদা মীওই ১ ভিজিটর্স গেলরিদগী চোংথগে তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
লোক সভাগী ভিজিটর্স গেলরিদা ফম্বা নুপা অমা হাউসকী চেম্বরদা চোংথগে তৌবদগী খুদক্তা সিক্যুরিটি পার্সনেলনা ফারগা মপান্দা পুথোকখ্রে।



ওপোজিসন্না দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা চরাংনবা থোকহল্লকপদগী স্পিকরনা অয়ুক্কী পুং ১১.২০ তাবদা মীফম য়ৈথোক্লবা ৱাফম হেক লাউথোকখিবগা ভিজিটর্স গেলরিদা ফম্লম্বা নুপা অমা হাউসকী চেম্বরদা চোংথনবা থৌরাং তৌরকখিবনি।

তুংদা নুংথিলগী মীফম হৌরবা মতুংদা স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা মীওই অদু মধ্য প্রদেশকী শিবপুরিদগী রাকেশ সিংহ বঘেল কৌবা অমনি হায়না হাউসতা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা স্পিকরনা হায়খি, সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা ফারগা থল্লিবা মীওই অদু মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখ্রগনি। হীরম অসিগী মতাংদা হাউসকী অয়াবা লৌনবা হোৎনবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর অনন্ত কুমারনা মীওই অদু থাদোকখিবদা অয়াবা পীরে হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙদা ওপোজিসন্না দিমনিটাই-জেসনগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া পুখৎলকপদগী হাউসতা চরাংনবা থোকখিবা মরম্না মিনিট ৪০ রোম মীফম য়ৈথোকখি। স্পিকরনা মীফম য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোক্লবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা ভিজিটর্স গেলরিদা ফম্লম্বা নুপা অমা হাউসকী চেম্বরদা চোংথনবা থৌরাং তৌরকখিবনি। মহাকপু সিক্যুরিটি পার্সনেল ৪/৫না ফারগা মপান্দা পুথোকখিরমই। করিগুম্বা মীওই অদুনা চোংথরম্বা তারবদি ট্রেজরি বেঞ্চতা শোয়দনা তারমগনি।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা অয়াম্বা মতমদা ফিজম শেৎপা দিল্লি পুলিসকী পার্সনেলশিং ভিজিটর্স গেলরিগী মমাঙ ইথং থংবা পরেংদা হেক হেক ফমই। ঙসিসু ভিজিটর্স গেলেরিদা ফম্লম্বা দিল্লি পুলিস পার্সনেলশিংনা মীওই অদু মতম চানা ফাবা ঙমখিবনি।

স্পিকরনা হাউসতগী মপান থোকখ্রবা মতুংদা অরুন জেটলি য়াওনা সিনিয়ার মিনিষ্টর খরা অমসুং মুলায়ম সিংহ যাদবনচিংবা লীদর খরা হাউসতা লৈরিঙৈদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR:**
**IW: LAMSANG**
***Ref:- Mut Case No. 2417/SDC/IW-L/ 2016***

Anoubam Rajen Sharma S/o (L) Radhamohon Sharma of Lamdeng Khunou.
*-Petitioner*

-Vrs-

Late Anoubam Radhamohon Sharma S/o (L) Birahari Sharma of Lamdeng Khunou.
*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**
The 24/11/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার অনৌবম রাধামহোন শর্ম্মা, পীং মৃঃ বীরহরি শর্ম্মা, সাং লমদেং খুনৌগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৭, দাগ নং ১০১৯ অমসুং এরিয়ানা ০.২৪ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথ্খজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/10057/26*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR:**
**IW: LAMSANG**
***Ref:- Mut Case No. 2419/SDC/IW-L/ 2016***

Soibam Bhabani Leima W/o (L) S. Anantajit Singh of Thangmeiband Sinam Leikai.
*-Petitioner*

-Vrs-

Late Soibam Anantajit alias Bobi Singh S/o (L) Moirangthou Singh of Tera Lukram Leirak.
*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**
The 24/11/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার সোইবম অনন্তজিৎ ওর্ফে বোবি সিংহ, পীং মৃঃ মোইরাংথৌ সিংহ, সাং তেরা লুক্রাম লৈরক্কী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াং লাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৪৪, দাগ নং ২৬ অমসুং এরিয়ানা ১.২৪ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথ্খজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/10057/26*

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3341/03/11-02/12

# এয়র পোল্যুসন : সুপ্রিম কোর্টনা দিল্লিদা বোম্বুলা য়োনবা থিংখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাক্কী কোনুং ওইরিবা দিল্লি অমদি থংনরিবা মফমশিংদা বোম্বুলা য়োনবা থিংজিনখ্রে। দিৱালিগী মতুং তারকপদা এয়র পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপদগী সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল অসি পীখিবনি।

নবেম্বরগী অহানবা চয়োলদা দিল্লিগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম) চাদা ৪০ রোম হেনগৎলকখি। মখা তাবা য়াথং অমা পীদ্রিবা ফাওবা দিল্লিদা কনাগুম্বনা বোম্বুলা পৈশিন্দুনা থম্বা, য়োনবা অমসুং থাবগী থৌওং চথবা য়ারোই হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখি।

বোম্বুলা থাবনা হকচাংদা করি করম্বা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না থা ৩গী মনুংদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি হায়না এপেক্স কোর্টনা খঙহনখি। দিল্লিদা এয়র পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপদগী ইনভাইরোনমে-ন্টেলিষ্টশিংনা বোম্বুলা থাবা অমসুং য়োনবা থিংনবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং চিংশিনখিবনি।

অমরোমদা, দিল্লিদা ওইরিবা এয়র পোল্যুসনগী ফীভম অসি য়েংলগা মালেমগী মফম খূদিংমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনল চিলদ্রেন্স ইমর্জেন্সী ফন্দ (য়ুনিসেফ)না ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুনিসেফনা হায়খি, দিল্লিদা লৈরিবা মীওইশিং মরুওইনা অঙাংশিংনা নিংশা শ্বর হোনবা খূদিংগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া চিংশিনখি হায়বা ময়েক শেংনা খঙলবনিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা পোল্যুসনগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মতম ওইরে।

দিৱালি লোইখ্রবা মতুংদা দিল্লিগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরকপদগী স্কুল লীশিং ৫ হেন্না ছুটি থাদোকপা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না দিল্লিগী মফম খরদা পোল্যুসনগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা নুংশিৎ ক্যুবিক মিটর অমদা পি এম মাইক্রো গ্রাম ৯৯৯ য়াওবা থেংনখি। মতৌ অসুম্না নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দিল্লিদা লৈবা স্কুল লীশিং ৫ হেন্না ছুটি থাদোকখিবনি। ভরানাসি অমদি লখনৌনচিংবা ইন্দিয়াগী অতৈ সিটিশিংদসু এয়র পোল্যুসনগী চাং খুদোংথিনিংঙাই ওইরি।